ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯲, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯵ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, দিসেম্বর ২২, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৬৫শুবা মশীং

# রিমস অমসুং জেনিমসকী ও পি দি

## অথুবদা হাংলক্লবদি মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খরমখৈদি শাফরগনি

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ পাক শন্না শন্দোরকপদগী অনা-লায়েংগী থবক তৌরিবা ডোক্তরশিং, নর্সশিং, পেরা মেদিকেল ষ্টাফশিং য়াওনা হেল্থ ক্যের ৱর্কর কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা য়াওরকপদগী রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) অমসুং জৱাহরলাল হেনরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী ও পি দি হৌখিবা থা খরা অসিদা থিংদুনা লাকখিবনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী অনা-লায়েংদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা রিমস অমসুং জেনিমসকী ও পি দিশিং থিংদুনা লৈখিবদগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকখিবনি। মায়কৈ কয়াদগীসু কোভিদ নত্তবা অতোপ্পা মখলগী অনাবশিং লায়েংননবা তোখায়বা হোস্পিটাল অমা থন্বীয়ু হায়না লৈঙাক্তা কয়ারক হন্না তকশিনখিবসু লৈখ্রে। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু নন-কোভিদ হোস্পিটাল অমা তোখায়না থম্বা ঙমদনা লৈরকখিবনি। হৌখিবা চয়োল ১ রোম অসিদা নুমীৎ খূদিংগী কেস ১০০ য়ৌনা থেংনরক্তবা অমদি লৈখিদবগী মশীংসু হন্থরকপনা মরম ওইরগা রিমস অমসুং জেনিমসকী রেগ্যুলর ও পি দিশিং অথুবা মতমগী মনুংদা হাংহন্ননবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি। হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিনা চ্যের লৌরগা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা ষ্টেট কোভিদ কোওর্দিনেসন মীটিং পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা হেল্থ দিরেক্টর, রিমস অমসুং জেনিমসকী দিরেক্টর, মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী সিনিয়র রিজনল দিরেক্টর অমসুং হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংসু শরুক য়াখিবনি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী কেস থেংনবগী চাং হন্থরকপা অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা রিমস অমসুং জেনিমসকী ও পি দি অথুবা মতমদা হাংহন্ননবা ৱারেপ লৌখিবনি।

রিমস অমসুং জেনিমসকী ও পি দি থিংদুনা লৈরকখিবা অসিনা কোভিদ নত্তবা তোঙান তোঙানবা মখলগী অনাবা কয়া লায়েংননবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া চাউনা মায়োক্নদুনা লৈরকখিবনি। অনাবা কয়া লায়েংবা ঙমদনা লৈরকপসু য়াওরিবনি। ইমর্জেন্সি নত্তে হায়দুনা অনাবা কয়া মতম চানা লায়েংথোকহৌদবনা ফীভম কা হেন্না শোকচিল্লম্বা য়াবগী মীপায়বসু লৈনরিবনি। অনাবা হায়বসি মতম চানা য়েংথোকহৌদ্রবদি ফীভম শোকচিনবা হায়বসি শোয়দ্রবনি। কোভিদ লাইচৎ শন্দোরকপগী মীপায়বা অদুনা হৌখিবা থা ৭/৮ অসিদা লায়েংদনা লৈরকপা অনাবা কয়া অমদি হৌজিক লায়েংলুবা মতমদা ফীভম শোকচিল্লম্বগী মতৌ শোয়দনা থেংনরক্কনি। কোভিদ লাইচৎ লাকশিন্ননবা হোৎনরিঙৈদা অতোপ্পা মখলগী অনাবশিংগীদমক্তা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎখিদবনা মদুগী চৈথেং শোয়দনা ফংলকখিগনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ষ্টেট কোভিদ কোওর্দিনেসন মীটিং পাঙথোক্তুনা রিমস অমসুং জেনিমসকী ও পি দি অথুবদা হাংহন্ননবা ফিরেপ লৌখিবা অসিমক অফবা অমদি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না লৌবা য়াই। অদুমকপু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি করি নুমীৎতগী রিমস অমসুং জেনিমসকী ও পি দি হাংগদগে হায়বদু মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা লাউথোরকপা লৈত্রি। হেল্থ এক্সপার্ট কয়ানা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি দিসেম্বর অমদি জন্যুৱারী থাদনা হেন্না ফীভম শোকচিল্লক্কনি হায়রম্লবসু হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা কোভিদকী কেস থেংনবগী চাং হন্থরকপা অমদি লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবগী চাংসু হন্থরক্লি। ফীভম অসিনা লায়না-লাইচৎ অসিবু মপুং ফানা লাকশিনবগী থবক খুম্মাং চাউশিল্লে হায়না লৌবসু য়াই। অদুমকপু লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্তুনা লৈননবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদি লেপ্পা য়াদ্রি। মীয়াম্নসু লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা তঙাইফদনা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌহন্নিংই। রিমস অমসুং জেনিমসকী ও পি দি অথুবা মতমগী মনুংদা হাংলক্লবদি মীয়াম্না অনা-লায়েংগী লমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খরমখৈদি শাফরগনি।

### এডিটরদা থারকপা চিঠি

## মেজিক অমদি ওটো দ্রাইভরশিংনা লৌনিংবা মমলদা গাড়ী অতোংমল লৌরিবা অসি য়েংশিনহন্নীংই

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

হৌখিবা মার্চ থাদগী লমদম অসিদসু ঙসি ফাওবা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎকী অচৌবা চৈথেং ফংদুনা লাক্লি। চাউরাক্লা থা ১০ মুক অসি তোঙান-তোঙানবা চৈথেং কয়া ফংদুনা লাক্লি। অদুবু লোকদাউন কোমথোরকখিবদগী লৈবাক মীয়াম্না খজিক শুবা-নোম্বা য়ারক্তুনা নোর্মেল লাইফতা হিংবা হৌনরক্লে। চৈরক অসিদা লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চেল্লিবা মেজিক অমদি ওটো দ্রাইভরশিংনা লৌনিংবা মমলদা গাড়ীগী অতোংমল লৌরিবা অসি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। মরমদি মখোয়না সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা গাড়ী তোংহনগনি হায়দুনা মীয়ামদগী শেল লৌরি। অদুবু গাড়ী অমদা মী য়াম্না তোংবা থেংনরি। করিগুম্বা মখোয়না মী ১০ চনবা মেজিক গাড়ীদা মী ৫ খক ফম্লগদি গাড়ীগী অতোংমল তঙ্খায় হেন্না লৌবদা করিসু অকায়বা লৈতে। অদুবু দ্রাইভরশিং অসিনা মী ৮/৯ অদুম্মক তোংহল্লি। মসিনা করিগুম্বা মীওইশিং অদুগী মরক্তা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা য়াওরম্লগদি অতোপ্পা মীওইদা লায়না অসি শন্দোরকপগী চাংসু য়াম্না ৱাংই। লোয়ননা মী য়াম্না তোংহল্লোই হায়দুনা গাড়ী অতোংমলদি তঙ্খায় হেন্না লৌরগা মখোয়না হাপ্লিংবা মী হাপচিনবগী থৌওং অসি অরানবনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। নৎত্রবদি মীয়াম্না ৱারিবা অসিগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না থৌওং অসিনা অচৌবা অৱাবা পোৎলুম অমমুক পীবা হায়বদু থোক্লে।

*অদোমগী - রোশনী য়ুমখাইবম, থৌবাল*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮

১) মণিপুরী সাহিত্যদা মশেক মঙাল নাইরিবা অইবা অমনা ‘ফাগি ঙাইহাক নোক্নবা পোত্থানবা অয়াংবা মচল ওইবতা নত্তে অচুম্বা অমদি অশেংবা ফোঙদোক্নবা হক্লবা খূৎলায় অমসুনি’ হায়রম্মী। অইবদু কনানো অমসুং মানা হায়রম্মীবসি (য়াওফম) কদাইদনো?

২) দি ফ্লেমিং স্বোর্দ ফোরএবর অনশিদেদ হায়না অহানবা ওইনা ফোঙখিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা করি মমিং কৌদুনা কনানা হন্দোকপগে অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) অহানবা ওইনা মণিপুরগী মরমদা মণিপুরীদা (বঙ্গালি ময়েক্তা) ইবা লাইরিকসি করিনি হায়না লৌনবগে, অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙবনো?

৪) মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা পুথোরকপগে? অইবনা কনানো?

৫) “সুন তরঙগী মথক্তা/মৈরাগী মশক কুমনা/ঙান্নশানা লৈরিবী নঙবু/পায়মা ঐনা নুংচঙবী/তিল্লাং খোয়দাবীবু থোকলরে,/পেন্মা নঙবু কনানো?” য়াম্না শীংথানরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা মতেকনি। করি শৈরেংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# দিসেম্বর ২২, অহিং খ্বাইদগী শাংবা নুমিৎ

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৩০**

**জিতেন নামৈরাকপম**

ঙসি অসি দিসেম্বরগী তারিখ ২২, লৈবাকপোকপা নুমিৎ, মৈতৈ থবান্দা পারগনা পোইনুগী ৮নি পানবা য়াইফৰবা নুমিৎ অমনি। মতাং অসিদা ইংলিসকী তারিখকা মৈতৈগী থবানগা চানররোইদবা মরম অমদি লৈরে। মৈতৈগী থবানগা চান্নৌ ইয়া য়াররোইদবা মরম অমনি। ইশম শম্না ঙসিগী নুমিৎ অসি ‘দি লোংগেষ্ট দে এন্দ সোর্টেষ্ট নাইট’ - নুংথিলগী মতমনা তেল্লগা খ্বাইদগী শাংগদবা অহিং অমা ওইরগনি। ৱাফম অসি অসুক কুইরবা চহী লিশীং কয়া কয়া শুকশোয় শোয়দনা চুমদুনতা অদুম লাক্লবনি। য়ুনিভর্সেল ক্রথনি। কনানসু থুগায়বা ঙল্লরোইদবা মালেমগী খোঙচৎনি। ঐনসু ইচাশিং, ইশুশিংদা হায় - অঙাংশা য়েংউ, হোরেনগী অহিংদি চহী অসিগী ওইনা খ্বাইদগী শাংবা নোংঙাল্লকপা ঙাইবদা ৱাবা নুমিৎ অমনি অদুগা ঙসিগী নুংথিলদি নুমিৎ তাখিবা খঙহৌররোই। ঘড়ী কাটা অসি জর-জর চৎখিদুনা য়াম্না থুনা নুমিৎ তাখ্রগনি।

মথক্কী ৱাফম খরা অসি কোভিদ-১৯না মহে-মশীন থা ১০ তল্লুদ্রবা ইংখোলনুংগী অঙাং অমগী ওনলাইন ক্লাস য়াওরবা মতুং প্রোজেক্ট ৱার্ক পীখৎপগী সোসল সাইন্সকী পাউখুম অমা নৈনবগী শরুক্তা থেংনখিবা ৱাহংনি। ঐখোয়সু অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা মিদ্দল ক্লাস হৌরকপদা জিওগ্রাফিগী ওজানা নুমিৎ, থা, থৰান্মীচাক, নুমিৎপু য়েরুম মানবা খোঙচৎতা কোয়বা প্লানেট ৯ (হৌজিকপুদি ৯শুবা প্লানেট প্লুটোদি লৌথোকখ্রে, প্লানেট ওইদ্রে হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা নৈনখ্রে) মার্করি, ভিনস, অর্থ, মার্স, জুপিটর, য়ুরেনস, সেটর্ন, নেপট্যুন অমদি সেটলাইট য়াওনা নুমিৎকী ইমুং-মনুং পুল্লপ য়েক-খবা লাই অদু মিৎমাংদা শং-শং উরি। ঐখোয়বু জিওগ্রাফি মমুৎ তানা তাকপীরকখিবা (হৌজিকপুদি লৈখিদ্রে) ওজা জয়না মাগী ক্লাসকী মহৈরোয়শিংবু য়াম্না লুনা তৌবিরকখি। সোলর সিষ্টমগী মতাংদা ব্লেক বোর্দতা নুমিৎনা ময়ায়দা য়েল্লগা প্লানেটশিংনা ইলিপটিকেল পাথ মথং-মথং মখোয়গী খোঙচৎকা মরী লৈননা নুমিৎপু কোয়না চৎপগী মওংদু য়েক্লে। অমগা অমগা খোঙচৎকী লম্বী হাইদোক-হাইজিন তৌরগা চৎলুবা য়াবা নত্তে। লম্বী লান্না হেক চৎলুবদা থেঙ্গাইনদুনা অচৌবা বীগ বেঙ অমা থোক্তুনা অকায় অতোয় থোক্কদৌরিবনি। খোঙচৎ শুকলান লানবা য়াদে। অসুম্না সোলর সিষ্টম অমগী মতাংদা তাকপীরবা তুংদা মালেম পৃথিবী থার্দ প্লানেট মর্করিগা ভিনসকগী হেক মথং অহুমশুবদা লৈবা গ্রহ অসিগী সিজনেল চেঞ্জগী মতাংদা অমুক নৈনখৎলে। য়েন্নিংথা, কালেন্থা, নাকেন্থা, নিংথমথা মদুগী মতাংনা পৃথিবীনা নুমিৎতা নকশিন্না চৎপা, লাপথোক্লা চৎপা, অঙ্গং-অশা খায়রকপগী মরমদা য়েক্তনা-খোত্তনা শুগায়না অমুক তম্বীরে। শ্বায়গী মতাংসিদনি ঙসি দিসেম্বরগী তারিখ ২২গী মতাং লাক্কদৌরিবসি। নোদর্ন হিমিস্ফিয়রদা লৈবা ঐখোয়গীদি অহিং খ্বাইদগী শাংবা নুমিৎ ওইরগসু সাউদর্ন হিমিস্ফিয়রদা লৈবা ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যুজিলেন্দদদি নুংথিল খ্বাইদগী শাংলগা অহিংগী মতমনা খ্বাইদগী তেনগনি। চপ মান্নে জুন ২১দনা সম্মর সোলষ্টিস, নুংথিল খ্বাইদগী শাংলগা অহিং খ্বাইদগী তেনবা নুমিৎ ঐখোয়গী নোদর্ন হেমিস্ফিয়রদা লৈবা লৈবাকশিংদা থোকপা থৌদোকনি। অয়ূক নুংথিলগী মতম চপ মান্নবা নুমিৎনা সেপ্টেম্বর ২৩ ইক্বিনোক্স দে অসুম্না ওজানা মথং মথং তাকপীখিবদু ফন্দি থৰায় য়াওনা তাজখিবনি।

মখা অসুম তারকপদা ওজানা অমুক ৱাহং কয়া হংবীখি। নখোয়না জিওগ্রাফি, ভুগোল সবজেক্ট তম্লিবসিদা জিও হায়বদি গ্রীক মরোলনি অর্থ হায়বনি। গ্রাফি হায়রগনা পৃথিবীগী মরমদা মমুৎ তানা থুগাইরগা নৈনবা সবজেক্টনি। খুদম ওইনা পৃথিবী অসি এক্স-রে লৌথোক্লগা মাগী মরমদা কাচিন কোয়া য়ৌনা খঙনবা তম্লক্কনি। অদুগী মতুংদা ব্লেক বোর্দতা কোরোক কোয়না স্ফিরিকেল ওইবা মওংদা পৃথিবীগী শক্তম য়েক্লে। ইহান হানবা ইমাজিনরি লাইন নোবাব তঙ্খায় তাবদৌনা ৱাখলনা শাবা লৈ-ই ইক্বিএটর য়েক্লে। অৱাং থংবা চেদা নৎত্রগা ব্লেক বোর্দতা য়েকপদদি মথক থংবা শরুক হায়বদি অৱাং-খা, নোংপোক-নোংচুপকী মতুংইন্না মথং মথং ইরকই-য়েল্লকই। নোর্থ পোল, সাউথ পোল, ত্রোপিক ওফ কেন্সর, ত্রোপিক ওফ কেপ্রিকোর্ন, পৃথিবীগী ময়ায় চবুক্তা 66½ দিগ্রীদা পৈনা চিংবা লৈ-ই এক্সিস, লোংগিচ্যুদ, লেটিচ্যুদ, রোটেসন ওফ দ অর্থ - পৃথিবীনা নোংমগী মনুংদা নোংচুপ্তগী নোংপোকলোমদা অমুক্তং মপূং ফানা লৈববু রোটেসন ওফ দ অর্থ, অহিং অমসুং নুংথিল ওইহল্লকপবু খঙনৈ। অসুম্না য়েক্তুনা-খোৎতুনা তাকপীরে। অদুগা অমুকসু হায়বিখি, পৃথিবীনা মাগী এক্সিসতা লৈনা লৈনা নুমিৎকী অকোয়বদা য়েরুম মওং মানবা লম্বীদা নুমিৎ ৩৬৫/৩৬৬ মপূং ফানা অমুক্তং কোয়না চৎপবুনা রিভোল্যুসন ওফ দ অর্থ কৌই। হায়রিবা খোঙচৎ অসিননি অঙৈং অশা, নোংজু নুংশা ওইহল্লক্লিবসি। অদুগা নুমিৎকা পৃথিবীগসি ওন্থোক্না লাপ্নথ্রবজাৎনি। নুমিৎকী মঙালনা হোরেন নুংশাগী মঙালবু হায়রোনে, মঙালদুনা মালেম পৃথি য়ৌরকপদা মিনট ৮গা সেকেন্দ ৩ চঙই। অমরোমদসু মঙালগী স্পিদসু য়াঙখ্রবা। নোং খোংলকপদা লাইটনিংগী মঙালনা হান্না ফোটো কাপখ্রগা সাউন্দনা কোন্না মখোল তারিবদুনি। লাইট গোজ ফাষ্টর দেন সাউন্দ। মঙালগী য়াঙবগী চাংনা মিনট অমদা কিলোমিটর লাখ ৩ য়াঙনা চৎপা ঙম্মী। অদুদি য়েংঙোনে মিনট ৮গা সেকেন্দ ৩দা মালেমদা নুমিৎকী মঙাল য়ৌরকপা ওইরগদি পৃথিবীগা নুমিৎকী অরাপ্পগা কয়াম শাথীনা লাপ্পরে হায়বদু পাবা য়ারে।

অদুনদি আর্টিকল অসিগী হৌরকপদা ৱিন্টর সোলষ্টিস হায়না খঙনবা অয়ূক নুংথিল খ্বাইদগী হেন্না শাংবা নুমিৎশিং অদুগী মতাংদা ঐখোয় জিওগ্রাফিগী ওজা জয়না ঐঙোন্দা তাকখিবগুম ঙসিদি ঐখোয়গী ইস্কোলনুংগী ইশু থোকপা অঙাংদুদা মখোয়গী প্রোজেক্ট ৱার্কক্তা মরী লৈননা খরদি তাকপীখ্রে। চহী অসিগী ওইনা পৃথিবীগী পোজিসননা অতিয়া অসিদা নুমিৎতা খ্বাইদগী হেন্না লাপথোকখিবা নুমিৎনি। করিগুম্বদা ঐখোয়না সাউদর্ন হেমিস্ফিয়রদা লৈরম্বা থোক্লবা ঙসিগী নুমিৎ অসি নুংথিলগী মতম অসি খ্বাইদগী শাংলগা অহিংনা খ্বাইদগী তেনবা নুমিৎ ওইগনি। ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যুজিলেন্দ, ইক্বেটরগী মখা থংবা শরুক্তা লৈবা লৈবাকশিংদদি তেনবা শাংবগী মথক মখা ওন্নগনি। অসুম্না অঙাংশিংদা তাকপীবা অসিসু ৱাখল লৌশিং হেনগৎহল্লি। ●

# কোভিদ-১৯না ওইহল্লকপা অমাঙ-অতোংশিং - ২০

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ মতম শাংনা মায়োক্নরকপদা অপেন-পেন্দবগী থৌওং :- মালেমগী ওইনা হায়বা তারবদি কুমজা ২০২০ হৌরকপদগীনা হৌজিক লোইশিল্লক্লবা মতম অসিদা অপেন-পেন্দা কয়ামরুম লৈখ্রে। হৌজিকসু লৈরি হায়বা য়াই। মণিপুরদদি হৌখিবা মার্চ ২৪ অদুৱাইদগীনি হায়বা য়াই। লৈঙাকশিংগী মায়কৈদগীনা মীচম মীয়াম্না লৈঙাক্লা তৌহন্নীংবশিং হায়বদি এস ও পিশিং মীচম মীয়াম্না থওইদবগুম তৌই খনবগী ৱাখল্লোন লৈবা/মীচম মীয়াম্না অমুক হায়রিবনা লৈঙাক্কী চেকশিন্দবা অমদি থৌশিল শোয়বদগী মীয়াম্না অৱাবা নংবনি। অনীমক লান্দ্রবা খল্লি। লৈঙাক্লা মালেমগী ওইনা পেন্দমিক ওইরবা কোভিদ-১৯ লাম্থেংনবদা মায় পাকহন্নবা পাউজেল ওইনা মোবাইল ফোনশিংদা মিনট ১/২ রোম চঙনা কোভিদকী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎনবা কোল্লর খুদিংদা মথৌ তাবা মীশক্তুগা পাউ ফাওনদ্রিঙৈদা তোয়না শন্দোক্লি। মসি লোইরবা মতুংদা কোল্লরদুনা লাইন ফংনবা হোৎনবদা সেকেন্দ ২০/৩০/৪০ রোম চঙনা ঙাইরবা মতুংদা পাউ ফাওনবা ঙল্লবদি খরবু ফৈ। মথক্কী মতমশিংসি মাঙলবা মতুংদা ‘দি পর্সন য়ু আর কোল্লিং ইজ করেন্টলি বিজি, প্লিজ কোল লেটর’ হায়রকপসু তোয়না য়াওরি। মসিনা অথু-অকায়গী থবক্তা খুদোংচাদবা থোকহন্দবা নত্তে। মসিদগী অমুক খরা তোঙানবা মওংদনা রেদিওগী খুখ-ংদা মরু ওইনা ঈশৈ শকপা/শকপী (রেদিওগী), ফম্বাক কুম্মৈ, শুমাং কুম্মৈ, মমিগী কুম্মৈ, শান্নরোয়শিং, লৈঙাক্কী অঙম অথৌ খরা রেদিও ষ্টেসনগী ষ্টাফ খরা, পাউচে খরগী এদিটরশিং, মহৈরোয় লূপ খরগী লুচিংবা খরা, সী এস ওশিং খরগী লুচিংবা/লুচিংবী, তোঙান তোঙানবা স্ক্রিপ্ট ইবশিং - মখোয়শিংগী খোঞ্জেলনা অয়ূক্কী পাউ অমসুং নুমিদাংগী পাউ পাবা মরক্তা (হৌরকপা ঙাইহাক্কী মতুংদা) কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন অহুম ঙাক্লা চৎনবা মতম খরগী মমাঙদগী শন্দোক্তুনা লাক্লি। লমদমসিদা শক খঙনরবা শিংথানীংঙাই ওইবা মীশক কয়াগী মমিং শিনফমগা কোন্ননা রেদিওগী পাউ তারিবশিংদা তেল্লবা মতমগী ওইনা পাউ শন্দোক্লিঙৈদা তৌরিবসি কান্নবা পান্দম হায়বদি কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা কাঙলোন অহুমদু ঙাক্লা চৎহন্নবা শন্দোকপনি হায়বসি খঙদবা মীওই অমত্তা লৈরম্লরোই হায়না খঞ্জে। লৈঙাক্কীদি তৌফম থোকপা/লৌখৎফম থোকপা মথৌদাংনি খন্না তৌরিবনি হায়বসিসু পাউ তারিবশিং লোয়না হেনমন্না খঙলে হায়বা য়ারে। মিনট ২০/৩০ ফানা অমুক্তদা শন্দোকপা/পাবা পাউসু নত্তবিদা চপ মান্নবা থৌওং অহুমসি হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়বনা কয়াম কান্নরিবগে হায়বসিগী মথৌ তাবা এক্সন লৌখৎপা ওইনা লুহোংবা নুমিৎশিংদা, মী অমা লৈখিদবগী নুমিৎ মঙানি লৈহুন/৬নি অষ্টি সঞ্চয় অমদি তরামাথোইনি লান-থৌরম/১৪নি শ্রাদ্ধ নুমিৎশিংসিদা লৈঙাক্কী ওইনা চৎনহন্নবা ঙহাক লৈতনা লাউরিবশিংসি কয়াম কান্নরিবগে/ইল্লিবগে হায়বসিসু য়েংশিনহঞ্জনীংই। মরমদি, লৈঙাক্কী কাঙলোন ঙাক্তবসিদি, শম্না হায়রবদা লৈঙাক্কী কাঙলোন থুগায়বা ঙম্বশিংগী ইমুংশিংদা থোকপা অয়াম্বা থৌরমশিংদনি হায়বদা পংলান লাল্লোই খঞ্জে। মথংদনা শেঞ্জাও পায়বা মীচং মীথোক য়াম্বা/মচিন তোংবশিংগী ইমুংশিংদনি। কনাগুম্বা খরনা মখোয়শিংদুনদি তৌবা য়ারগা শেল পায়দবা/অচৌ অশাং ওইজদ্রবসু শাগৈ চাউবনা মীশিংদি য়ামদবা য়াদবশিং ঐখোয়সু করিগী তৌরোই খন্দুনা তৌখিবসু কয়ানি। লৈঙাক্কী চেদা তাবা য়াথং (ওর্দর) দবুদি য়াম্না ফজবা - মীশিং অদুদগী থৌদোক্কী ওইনা হেনবা য়াদে, হেল্লবদি ফাইন ওইনা লুপা লিশীং অদু অদা থিহনগনি হায়দুনদি পার্মিসন্দা পী। মতাং অসিদনি থমজনীংলিবা ৱাফমদি - চৎন-কাঙলোন অনী থোকপা জাৎলা। খুদম, অচৌ-অশাং (শম্না হেক্তা হায়জরগে) শিংগী ইমুংশিং/মরী মতাশিংগী ইমুংদসু অশি-অনা, লুহোংবা, মচা-মশুগী নাহুৎ-নারেং, ইপান থাবা/শষ্টি পুজাগী থোকখিবা থৌরমশিং কয়াগীদা - ‘কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইদুনা মথক্তা পনখিবা থৌরমশিং অমদা হেক্তা লাইগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা লাইগী শোয়দনবগীদমক (থৌরমতমক) পাঙথোক্লগনি, হেক নক্নবা শাগৈ-নাতৈ নৎতনা অতৈদি চেবাউ পীজররোই, মসিগীদমক খঙন-চানবশিং অমদি লৈকায়গী ইরৈচাশিংনা ৱারৌবীদনবা রেদিও, প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী খূত্থাংদা পাউজেনবা/খঙহনবা কয়াম থেংনবিখ্রবগে’ হায়বসিনি। অতৈ খরগীদি মথক্তা পনখিবা খঙহঞ্জবগী থৌওং তৌখিবা খরদু উরুবদগীনি মীয়ামদা পাউদমজরিবসি।

অচৌ-অশাং (শম্না) শিংগী ইমুংশিংগী থৌরমশিংদদি ময়োংবা শঙলেন (মান্দপ) গী ময়ায় অকোয়বদা ফম্বীনবা মী মশীং ৱাৎতে। মখোয়গীদি মী য়াম্না তিনবদুনি পাল্লিবদি। তশেংনা হায়বা তারবদি অহল ওইবা - নুমিৎতুদা পাঙথোক্লিবা থৌরমদুগী মরমদা খরগী মখৈদি খঙবা, হৌবদগী লোইবা ফাওবা থৰায় য়াওনা য়াওবীবা ঙমগদবশিং ফম্বীরগা/ফমহল্লগা, থৌরমদুগী লৈতেং ওইগদবশিং মশীং পংয়াম য়ামদনা ফমগদবনি। হৌজিক্তদি মসিগী ৱাহন্থোক থোয়না খঙনা ফম্বা/ফমহনবা তৌদে হায়বা য়াই। হৌবদগী ফম্বদুনা হেন্না ফৈ হায়বগী ৱানি। ফম্ফম মশীং কক্লা থাবা/ফম্ফম মরাং কায়বা ওইরবসু নহা ঙন্না লাকই হায়দুনসু অকোয়বদা থারিবা ফম্ফমদুদা ফমহনবা হায়বসি ফত্তে হায়নীংই। মরমদি থৌরম হৌখ্রবা মতুং ঙহাক লৈরগা অহল ওইরবা মীওই খরা লাক্লবদি মখোয়শিংগীসু য়েংলগা ফম্ফম খরা হাঙনা থম্বদি ফব্রা খঞ্জে। তশেংনসু ফরিবনি। ●

# খোর্জেনা য়েক্লিবা পুন্সি অমা : *নোংমাইথেম তোম্বী সিংহগী পুন্সি অমসুং থবক*

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

মী অমগী পুন্সি ৱারী পাবগী খূৎনুংঙাইসিদি! করিগীসু নুংঙাইরোই, তোপ-তোপ্পা মহাউ পীরিবা খোরিরোলগী মচল অমনি। মপূং ওইনা লৈবাক খুন্নাইগী মশক নাইবা থবক তৌরিবা অমদি তৌরম্বশিংগী পুন্সি ৱারীনা অয়াম্বা ওইগল্লি। মণিপুর খোরিরোলদা পুন্সি ৱারীগী মফমসি পাক চাউবা ওইদ্রি। নুমিত্তু তাং ৮নি, শামুরৌগী সুরজিৎ, খোরিরোলগীনি লাইরিক্কীনি হায়রবদি নোং-নুংশিৎ, নুংশা, উনলেন করিমত্তা নাচুংদবা খোঙয়াঙবনা ফোন তৌরকই। মা লাক্নে হায়রকই। ওজা তোম্বী (নোংমাই পন্দিট) কী মরমদা ইবা লাইরিক অমা পীগে হায়বগীনি। ইকুই কুইদ্রিঙৈদা ফোঙখিবা ঐনা ইবা ৱারেং লাইরিক্তুসু পাম্বজাৎনি। ইশামক্কদি তাঞ্জা অমা চাদদুনা উনহৌদ্রে। ঐখোয়’ মপাদা প্রেসতা লাইরিক্তু থম্লম্মী। অদুক্কী মতিক নুংঙাই, ঐনা য়াম্না ইকায়খুম্নজবা, কিনা, লূনা লৌজবা ওজা ইবুংঙোগী মরমদা ইবা লাইরিক অমা ফংজখিবদা। ইখূৎ য়ৌরকপগা মতম মাঙহন্দে, অদুম্মক পাখি। খল্লুবদা ইকায়ববু ফাওই, ঐদি মতম অসুক কুইবসি ওজাগী মরমদা করিমত্তা খঙদনা লৈরম্বদুদা। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পি ঐচ দি স্কোলর ওইনা লৈরিঙৈদা ওজাবু মশক খঙজখি। ঐখক্তনা খঙজবৈ ৱানি, ওজানদি খঙখিবা লৈতে। খঙফমসু থোক্তে, ওজানা ঐবু খঙবা য়াবা থবক অমত্তসু তৌখিদে। ঐ হিষ্টরি ওইরবসু মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী ইমান্নবী ময়াম অমগা লোয়নরম্মী। মশা য়াম্না নানবা, খোঞ্জেল লূম-লূম লাউবা ওজাদো লাইনীং পরৈ চেৎপা অমা ওইনা ঐগী ৱাখলনা লামশিনখি। অখঙ অহৈ অহলশিংগী মতুং ইঞ্জদুনা ইবগী থবক্তা হৈবোই হৈতবোই খূৎ থাজরকপদগী মরী লৈনবা থৌরমদা ওজা তোম্বীনা ঙাঙবা মমল য়াল্লবা ৱাহৈশিং তাজবগী খুদোংচাবদু ফংজখি। করিগুম্বদা ঐগী লাইরিক খুদোল তমজরুবদা ঐবু খঙবীরম্বদুনা পূক্নিংসে কয়াগী মতিক লূমজখিবা! মদুদগীসু হেন্দোক্তুনা থৌনা ফৈকা হায়বীরকপদুদা ইনীংবগী ইথিল খঙহেন হেনগৎখি।

ঐনা ওজাবু খঙজখিবসি য়ুনিভর্সিটিগী ওজা তোম্বী, কলমনিষ্ট নোংমাই পন্দিট, মণিপুরী খোরিরোলদা অৱাংবা ফিদা ফংলবা অইবা অমা ওইননি। নকশিন্না লোয়নরুদে। মদু ঐগী অশোনবনি। ওজাবু মপূং ফানা খঙবা ঙমখিদে। শামুরৌ সুরজিৎনা পীরম্বা লাইরিকসি পারুবদা ইথন্তা ইকায়বা ফাওরকই। নহানমখে ওজাগা শক খঙনৈ হায়না পোঙথোক চাউথোকচরুবা ঐসে তোনবদগী তোল্লবা মীশক অমা ওইরম্লে। কৈদৌনুংদসু ওজাগী পুন্সি অমদি থবক্তা চঙশিন্দুনা য়েংলুদে। খঙদবৈ চাংদি ***খোল্লাউ*** পাউচেদা হাপ্পকপা খোংনাংথাবগী আর্টিকল কয়াদি পাজখি। কনানো হায়বদি খঙনবা হোৎনখিদে। খঙদনা ঙসি ফাওবা লৈরকখিবনি। খঙদনা অখঙ শারুবা ঐসে তাইবঙ মপুনদি চানবীবজ াৎনি, ***নোংমাইথেম তোম্বী সিংহগী পুন্সি অমসুং থবক*** ঐগী খূৎতা য়ৌরক্লে। খঙলমদবা ময়াম অমা খঙবা ঙল্লে। ওজা মশামক্কী ওইবা ৱারেং অনী য়াওনা অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা অইবা অইবী তরামঙাগী ৱারেং তরামাপনগী লাইরিকনি। ওজাগা নক্না লোয়নরুবা তিন্নরুবদা খঙলকখিবশিং অদু মচু তানা মশা মশাগী ওইবা মীৎয়েং থমদুনা মচা খায়না য়েক্নবা হোৎনরি। খোরিরোল অমদি আর্টকী লম্দা অৱাংবা ফিদা ফংলবশিং হায়বদি শ্রী বীরেন, সলাম তোম্বা, য়ূমলেম্বম ইবোমচা, লমাবম গোজেন্দ্র, ডা. নহাকপম অরুনা, ডা. মাখোনমনি মোংসাবনচিংবা কয়াগী খূত্থাশিংবু নৈনবা ইতিক ইপা ওইদে। পাবীবশিংনা মগুন লেপ্পীগদবনি। থোইনা হেন্না ঙক্লিবদি শামুরৌ সুরজিৎকী আর্টিকল য়াওরম্বসিনি। ঐ মাবু ৱারৌই, অসুক য়াম্না থৰায় য়াওবা, নোম্বা কনবা, ইবসু হৈবা মানা লাইরিক পুথোক্তুনা ঐখোয়বু পাবা ফংহন্দ্রিবসি করিগীনো হায়না। ডা. ইবোহল, থৌদাম নেত্রজিৎ, অমোম সরজুবালা, থিংনাম জয়শ্রী, থৌনাওজম গীতারানিসু ওজাগী পুন্সিবু খরমখে খঙবা ঙল্লে হায়নীংই। অসুম্না মখোয় পূম্নমক্লা ওজাবু মণিপুরী খোরিরোল, পুঙ-ঈশৈ, লীলা-দ্রামানচিংবা চাওখৎনবগীদমক চোকথবা নাইদনা হোৎনরিবা মীশক অমনি হায়বসিদা মীৎয়েং থল্লি। আর্টকী লম্দা মমল য়াল্লবা খুদোল তম্বীরম্বা মীয়াম্না মশক খঙবীদ্রবা কয়াগী পুন্সিবু মীয়ামদা মশক তাকনীংবনা মার খোঙ্গুল লীদুনা থিরুই। খুন্নাইগীদমক করিগুম্বা খরা তৌরম্বশিংবু ইকায়খুম্নবগী ৱাখল্লোন লৈবা, হায়খিবা ৱা ঙাক্লা চৎপা, অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোকপা, হৌগৎলক্লিবা অইবা অইবীশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা, নীংহন্নদবা মতৌশিংনি য়েক্লিবশিংসি। য়াম্না নুংঙাইবা নুংশিবা মতাংনি, ইমোজিৎ নিংঙোম্বগী ৱারেংদা য়াওবনি, মণিপুরী শৈরেংগী নুমিত্তা উ পাম্বী থাবগী ৱারেপ লৌখি। মদুদা ডা. কমলগী পোকফম লাংথবান্দা মাধবী থাগনি হায়বা ওজাগী অচেৎপা ফিরেপ লৌখি। মতমদুদা হোৎনবৈ পেনবা নাইদবা ওজা মাখোনমনি মোংসাবনা উরিরৈ অমদি মাধবী চারাশিং পুরকখি হায়। অঙকপা গুরুগী চাংয়েংনি।

লাইপোক্লি শোন্নরিবা কয়ানা ময়ূম মকৈ, ইমুং-মনুং তুংওইনরম্লগা অচিকপা উমং-ৱামংদা লাইনীং পরৈ চেৎনা লৈখিবসু য়াওই। মখোয়না তাইবঙপানববু মশক খঙনবা হোৎনৈ। বুদ্ধ মহাবীরনচিংবনা অরান খুভম ফংখিবগা লোয়ননা লাইমক্লি হায়না লাৎনৈ। ওজা তোম্বীগী ৱাখল্লোনদি মীওইবা মরক্তা লৈরগা তাইবঙপানবু খঙনবা হোৎনবনি। মীওইবনা পূম্নমক্তগী অথোইবনি হায়বসিদা অচেৎপা থাজবা লৈ। লোৎশিন্দুনা থম্বা য়াদ্রবা ৱাখল্লোননি, মহাক্না হায়রি, ***ঐনা হিংলিবসি ইতোমতগী নত্তে-ঐনা হিংলিবসি মীয়ামগীনি, শাগৈগীনি, লৈকায়গীনি, খুন্নাইগীনি, মালেমগীনি। ৱাখল অসিনা মীনা শেম্বা খুন্নাই অমসুং তাইবঙ অসিদা মীগা মীগগী মরক্তা অচেৎপা মরী অমনা চেৎনা পুনবা ঙমগনি। মীওইবনা তাইবঙ অসিদা মী অমা ওইনা পোক্লবদি মী অমা ওইবগী থৌদাং অসি কাউথোকপা চুমদে। (লামায় ৪)*** মতৌ অসুম্না তাইবঙ মীওইবগী তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াই মনুং হঞ্জিন্না উবা ঙম্বা অমদি মীপূম খুদিংমকপু অচৌ পিশক খায়দনা নুংশিজবগী ৱাখল মীৎয়েং লৈবা নৈনরোয়, কবি, আর্ট অমদি কলচরবু য়োকখৎচনীংবা ওজা তোম্বীনি। পুন্সি কয়াগী খোঙ্গুল লীবদা চোকথবা নাইদবা পুন্সিনি। তোঙান তোঙানবা থিজিল্লোই কয়ানা য়েক্লিবা ***নোংমাইথেম তোম্বী সিংহগী পুন্সি অমসুং থবক*** পারুবদা ইনিংবগী ইহুল খংকন হেক কনখৎলকপগুম্মী। ইচিনসিনা শোন্দবা ঙমদে - লাইরিক ময়াম অমা ফোঙবদুনা তোঙানবা ৱাফম ওইখ্রগা শাংখ্রবা চহী কয়া শুংলেপ লেপ্তুনা পাউচেগীদমক ইরক্লিবসিবু কমদৌরিজাৎনো! হায়গনি ঐদি মহাক অঙকপশিংগী মরক্তা অঙকপা অমনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।